

# সনাৌলৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, MAY 26, 2019 PAGE 7

*ফ্রান্সকী লীগে ৱানগী চেম্পিয়ন ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা কুমজা ২০২১ ফাওবা কোচ ওইবগী মতম শাংদোকখ্রবা জর্মনি মচা থোমাস টুচেল*

*জর্মনিগী সিটি নুরেমবর্গতা পাঙথোকখিবা নুরেমবর্গ কপ দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী কজাখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিনসেভা*




## ত্রাও এফ সিনা মণিপুরদগী হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগকী চেম্পিয়ন ওইবা অনীশুবা টিম ওইখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ*

ত্রাও ফুটবোল ক্লবনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৮–১৯ গী চেম্পিয়ন ওইদুনা আই লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগ অসিগী হৌখিবা ২০১৬–১৭ দা মণিপুরগী টিম নেরোকানা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইদুনা আই লীগ ক্বালিফাই ওইদুনা ফুটবোলবু পামজবা মণিপুরগী মীয়ামদা আই লীগকী মহাও খঙহনখ্রবা মতুং ত্রাও এফ সিনা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা অনীশুবা টিম ওইদুনা মণিপুরদগী আই লীগকীদমক শরুক য়াগদবা অনীশুবা টিম ওইরগনি।

হোম এন্দ অৱে বেসিসতা টিম ৪ না ফাইনেল রাউন্দদা শরুক য়াদুনা চথরকপা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৮–১৯ গী ১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা অৱে টিম মীজোরামগী ক্লব ছীংঙা ভেং এফসিনা য়ুম্বু ত্রাও এফসিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরবসু মণিপুরগী ক্লব ত্রাওনা লীগ অসিদা মেটচ ৬ তা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা ছীঙা ভেং এফ সিনা মেটচ ৬ তা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাহৌখি।

ত্রাও এফ সিগী অহুমশুবা হোম মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী অৱে টিম ছীঙা ভেংনা ত্রাওবু মায়থিবা পীনবা হোৎনদুনা অঙনবা মিনটশিংদগী মখোয়গী হৈথোই–শিংথোইবা মতৌ উৎথোক্তুনা ত্রাওগী মায়কৈদা প্রেসর পীশিনখি।

অৱে টিম্না মেটচকী মিনট ৩৩ চৎপদা টিম অসিগী ফোরৱোর্দ শান্নরোই জর্সি নম্বর ২৯ মালসোজ্বালাগী ওইথংবা খোঙনা শাফু কন্না কাউশিনখিবা সোট অদু নেটকী য়েৎথংবা কাচিন্দা চঙহন্দুনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ২২ ভানলালভিয়ানা য়েৎথংবা ৱিংদগী খাইরকপা ক্রোস অমদা টিম অসিগী ফোরৱোর্দ অন্দর ২২গী শান্নরোই লাললিয়ান সাঙ্গানা ত্রাওগী দিফেন্দরশিংগী মার্কিংদগী নাম্থোক্তুনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ছীঙা ভেংনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ত্রাওগী মায়কৈদগী শোথরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা ছীঙা ভেংগী গোলকিপর জোথানমাৱিয়াবু কয়ারক হন্না চাংয়েং তৌখ্রবসু গোলকিপরদা কন্টেক্ট অসিদা লৈনবা হোৎনদুনা মহাক্কী চপ চাবা মথৌশিং অদু পাঙথোক্তুনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

অদুবু ত্রাওনা হোৎনবা লেপ্তনা শান্নদুনা মখোয়গী মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মিনট ৬৬ চৎপদা য়ামীলোংবানা য়েৎথংবা ৱিংদগী ছীঙা ভেংগী দিফেন্দরশিং লাল্লগা খাইরকপা ক্রোসিং অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ ঙাংবম নাওচানা খোঙলৈ য়াঙনা চেনশিল্লক্তুনা বোল অদু হেদ্দিং তৌশিন্দুনা শোথরিবা গোল অমা হন্দোক্তুনা ১–২ দা লৈখি।

ত্রাওনা চথরকপা এটেক অমদা নেত্রজিৎনা বোক্স মনুংদা বোল পুশিল্লিঙৈ ছীঙা ভেংগী দিফেন্দর লালদিনপুয়ানা ফাওল তৌরুবগীদমক মেটচকী মিনট ৭৫ চৎপদা পেনাল্টি অমা ফংদুনা ইক্বেলাইজর ওইবা য়াবা খুদোংচাবা অমা ফংখি।

অদুবু ত্রাওগী কেপ্টেনসু ওইরিবা প্রিন্সৱিল এমেকানা পেনাল্টি অদু কাওবদা গোলকিপরনা ঙাকথোকখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা মেটচ অসি ছীঙা ভেংগী মখূত্তা ১–২ দা মায়থিখি।

মেটচ অসিদা ত্রাওগী সাহাবাজ খান অমদি ছীঙা ভেংগী মালসোমজ্বালাদা মেটচ কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা শান্নরুবগীদমক মেটচকী মিনট ৭৩ চৎপদা রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেটচকী মপান থোকহনখি।

মেটচ লোইরবা মতুংদা সেকেন্দ দিভিজন লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ত্রাও এফ সিদা এ আই এফ এফকী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট সুব্রত দত্ত, আই লীগকী সি ই ও সুনন্দো দার অমদি আই লীগকী মেনেজর ইন্দ্রানিল দাসনা টিম অসিবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ট্রোফি অমদি মেডলশিং খূৎশিন্নখি।




| Hero 2nd Division League | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| **Final Round** | | | | | |
| Team | P | W | D | L | Pts |
| TRAU FC | 6 | 5 | 0 | 1 | 15 |
| Chhinga Veng FC | 6 | 4 | 1 | 1 | 13 |
| Ozone FC | 5 | 1 | 0 | 4 | 3 |
| Lonestar Kashmir FC | 5 | 0 | 1 | 4 | 1 |

## থাংমৈবন্দ কেন্দ্র মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ*

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাংখুৎনা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা থা অসিগী ১২ তগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা ৮শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতি নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০গী লীগ কপ নোক আওট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র মায় পাকখ্রে।

থাংমৈবন্দ কেন্দ্র অমদি ৱাঙ্গোই কেন্দ্র অনীনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৬–১৪ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্নবা থাংমৈবন্দকেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ চনখি।

অদুগা মায়থিরবা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা শিংজমৈ কেন্দ্র অমদি নম্বোল কেন্দ্রনা শান্নগনি।

## য়ং বোইজ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ*

ফ্যচর ফুটবোল কোচিং সেন্টর (এফ এফ সি) অংথানা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা অহানবা য়ুম্লেম্বম বিজেন সিংহ নীংশিং ভিলেজ ওপন স্টেট লেবেল ৭ এ–সাইন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ং বোইজ অংথানা দেনী এফ সি হৈরোকপু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্নবা য়ং বোইজগী গোলশিং অদু এন ওলেননা মিনট ১৭, ২৪ দা গোল ২, কাবোইচানা মিনট ২৬, ৪ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল অমনা মালেমঙানবনা মিনট ২৯ দা চনখি।

## চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এন সি ভি এফ সি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ*

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীল্লগা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ৪ দগী টিম ২১ না গ্রুপ ৫ থোক্না খাইদোক্তুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরকপা ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুর মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুর অমদি পুপু পুংদোংবমনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুরনা পুপু পুংদোংবম্বু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুরনা অঙনবা মিনটশিংদগী বোল হেন্না পায়রগা শান্নদুনা পুপু পুংদোংবমগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা প্রেসর পীশিন্দুনা গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনদুনা এটেক কয়া চথরকখি।

মদুগী হোৎনজমন অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ২০ চৎপদা এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুরগী জর্সি নম্বর ৭ রোচুংনা পুপু পুংদোংবমগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরমদুনা মেটচ অসিগী গোল একাউন্ট হাংখি।

গোল শোথরিবা পুপু পুংদোংবমনা হাল্ফ মমাঙদা গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জাশিং ফংখ্রবসু এন সি ভি এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা মথৌ খঙনা শান্নদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুরনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনখি অদুবু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি। পুপুগী মায়কৈদগীসু শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরবসু অপীবা মিনট লোইশিনখ্রবা ফাওবা অহেনবা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্মদবদগী রুচুংগী গোল অদুনা এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুরবু মায় পাকহনখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এন সি ভি এফ সি চুড়াচান্দপুরগী জর্সি নম্বর রুচুংনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৭ কী নুংথিল পুং ৩ তবদা য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটা অমদি সাইক্লোন (বি) থাংমৈবন্দগা শান্নরগনি।





**Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd.**

(A Government of Manipur Enterprise)

Governor Road, Paona Bazar, Imphal 795 001, Telephone : 0385-2442381

NOTICE

Imphal, the 25th May, 2019

No. MHHDC-94/PIS/2019: It is hereby informed to all the concerned that pending payment/outstanding dues against the supply/sale of handloom cloths, garment and handicrafts products to Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd will be disbursed in the following dates:

| Sr. | Districts | Date | Time |
|---|---|---|---|
| 1. | Imphal East and Bishnupur | 27-05-2019 | 1:00 – 4:00 p.m. |
| 2. | Imphal West, Thoubal and Kakching | 28-05-2019 | 1:00 – 4:00 p.m. |
| 3. | Ukhrul, Senapati, Chandel and Tengnoupal | 29-05-2019 | 1:00 – 4:00 p.m. |
| 4. | Tamenglong, Churachandpur and Noney | 30-05-2019 | 1:00 – 4:00 p.m. |
| 5. | Kamjong, Kangpokpi and Jiribam | 31-05-2019 | 1:00 – 4:00 p.m. |

All the concerned are, therefore, informed to collect their pending outstanding due as per the above scheduled from the Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd., Paona Bazar, Imphal.

Sd/-
Managing Director,

SL/BILL (DIPR)/26


## তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফিদা সেক্তা মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ*

ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা ই য়ু এস সি গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা ১৪শুবা তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফি লন্নাই অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা লক্কীষ্টার অচানবীগৈ অমদি ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপম গোল ২–২ দা দ্রো চৎদুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লক্কীষ্টার অচানবীগৈগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ সঙ্করনা মিনট ১০ অমদি জর্সি নম্বর ৬ রোহেননা মিনট ৩০ দা চনখি। ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ রাহুলনা মিনট ১২ অমদি জর্সি নম্বর ৫ প্রকাসনা মিনট ১৫ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা সেক্তা (এ) না সৈজাং এফ সি সৈজাংবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্নবা সেক্তা (এ)গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ রেনোল্ডানা মেটচকী মিনট ৫ অমদি ৩০ দা চনখি।

১৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই এম সি হরাওরৌ অমদি এস কে দি সি সঞ্জেনবম গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

ৱাই এম সি হরাওরৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ নরেন্দ্রনা মিনট ১২, জর্সি নম্বর ৮ চীংখৈঙানবনা মিনট ২৬ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ পোইরৈঙানবনা মিনট ৪০ দা চনখি।

এস কে দি সি সঞ্জেনবমগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৯ ক্লিন্টরনা মিনট ১০ অমদি ৩৪ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ কিরনজিৎনা মিনট ৩৬ তা চনখি। মেটচ অসিদা ৱাই এম সি হরাওরৌগী জর্সি নম্বর ৮ চীংখৈঙানবা অমদি এস কে দি সি সঞ্জেনবমগী জর্সি নম্বর ৯ ক্লিন্টরদা য়োল্লো কার্দ বুক তৌখি।



## এম ৱাই ভি এ নাওরেম অমদি দি ভি এ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ*

লোইতাং লৈকিন্থবী য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২২ দগী টিম ৬ না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা ২শুবা লৈখিদ্রবা এ ইবোমচা নীংশিং ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমদি দি ভি এ থৌবাল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা ৱাই দি ও খুরখুলবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা পোইন্ট ২৫–১১, ২৫–২২, ২৫–২২ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দি ভি এ থৌবাল অমদি আই ই ভি ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নগদবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট লাক্তবদগী দি ভি এ থৌবালনা ৱাল্ক ওভর ফংদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

অতোপ্পা পাও অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পৌরাবী রাইজিং ষ্টার ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী পি আর সি পৌরাবীগী গ্রাউন্দদা টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা অনীশুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এ এম ৱাই সি অন্দ্রোনা এম টি টিবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মেটচ অসিদা এ এম ৱাই সি অন্দ্রোনা পোইন্ট ২৫–১৫, ২৫–২৩, ৩২–৩০ স্কোর তৌদুনা মায় পাকখি। মেটচ অসিগী বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি মেটচনা এ এম ৱাই সি অন্দ্রাগী শ্যামানন্দনা তাখি।

ঙসি পি আর এস সি অমদি এন এন সি কে না শান্নগদবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নোংনা মরম ওইরগা মেটচ য়ৈথোকখ্রে।

## ৱাঙ্গোই এফ সি অমদি কে ৱাই সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ*

তেন্থা খোংবান ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিয়ু এ) তেন্থা খোংবাননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দ তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ ১১ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাঙ্গোই এফ সি অমদি কে ৱাই সি তেন্থা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাঙ্গোই এফ সি না ৱান্টেট বোইজ সঙ্গাইয়ুম্ফমবু য়াম্না লাকচনা গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাঙ্গোই এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩, ৪৩ অমদি ৫৩ দা গোল অহুম অমদি জর্সি নম্বর ৮ অঙৌসনানা মিনট ৭ তা গোল অমা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৭ সুরেসনা মিনট ২৭, জর্সি নম্বর ১০ থোইনা মিনট ৪২, ৫০ দা গোল অনী চনখি। টিম অসিগী অতোপ্পা গোল অমনা ৱান্টেট বোইজগী অবিসনা আওন গোল ওইনা মেটচকী মিনট ২৯ দা চন্দুনা পাঞ্জল ৮ শুখি।

মায়থিরবা ৱান্টেট বোইজ সঙ্গাইয়ুম্ফমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৮ সরোজনা মিনট ৬ তা চনখি।

টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ২০১৯ গী ২৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই সি তেন্থানা টাম এফ সি সেক্তাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কে ৱাই সি তেন্থাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ সন্টোসনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ৯ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১২ দেবিদনা মিনট ৩৪ অমদি জর্সি নম্বর ১১ বিনাননা মিনট ৪৫ তা চনখি।

মায়থিহৌরবা টাম এফ সিগী সেক্তাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ বিশ্বরজিৎনা মেটচকী মিনট ৪৭ চৎপদা চনখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৭০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | S | T | R | O | ■ | H | A | I | R | ■ | C | A | L | L |
| N | O | W | I | N | ■ | O | R | N | E | ■ | A | G | U | A |
| T | H | E | A | D | D | A | M | S | F | A | M | I | L | Y |
| E | O | N | ■ | V | E | R | Y | ■ | S | M | E | L | L | S |
| ■ | ■ | T | I | D | E | S | ■ | ■ | ■ | M | O | E | S | ■ |
| B | A | Y | S | ■ | D | E | B | A | T | E | S | ■ | ■ | ■ |
| A | V | O | I | D | ■ | ■ | A | T | A | T | ■ | T | A | N |
| D | E | N | N | I | S | T | H | E | M | E | N | A | C | E |
| E | R | E | ■ | V | I | V | A | ■ | ■ | R | O | K | E | R |
| ■ | ■ | ■ | C | O | R | S | I | C | A | ■ | R | E | D | O |
| ■ | B | O | H | R | ■ | ■ | ■ | A | D | A | M | S | ■ | ■ |
| D | E | P | I | C | T | ■ | S | N | U | B | ■ | O | R | E |
| L | E | A | V | E | I | T | T | O | B | E | A | V | E | R |
| I | N | R | E | ■ | T | R | E | E | ■ | A | D | E | P | T |
| V | E | T | S | ■ | O | A | T | S | ■ | M | O | R | S | E |


**ISOR**

INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES

(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)

CANCHIPUR

# Admission Open

to Class XI Science (2019-20)

**Facilities & Offers :**

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22th May to 15 days

ISOR - Educating the Minds to start-up